**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-12-2025)**

**সনাজাউবা (এল)ঃ** য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু.পি.এস.সি) না লৌবা পরিক্ষ্যাগী ৱাহং চেদা মীতৈ ময়েক য়াওহন্নবা মরী লৈনবশিংদা অকনবা ৱাফম থন্বীনবা মহেৎরোইশিংনা এম.পি. সনাজাউবদা তকশিনখ্রে।

য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা সিভিল সাভির্সেস পরিক্ষশিংদা মীতৈ ময়েকনা ইবা য়াহল্লিবা অসিগুমা পরিক্ষদসু ৱাহং চেশিংদা মীতৈ ময়েক ওইহন্নবা মরী লৈনবশিংদা পুখৎতুনা তকশিনবীনবা মনিপুর (এম.এম) ওপসস্নেল এসপিরেন্স, মনিপুরনা রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ সনাজাউবা লৈশেম্বদা ঙরাং এম.পি.এস.সিগী দিল্লি ওফিস রেসিদেন্সতা উন্নদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখি।

পীশিনখিবা চেরোল অদুদা য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা সিভিল সাভির্সেস পরিক্ষদা ভারত সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা তোঙান তোঙানবা রিজনেল লেঙ্গোইশিং য়াওনা মশিং য়াল্লবা ওপসনেল সবজেক্টশিংদা পরিক্ষা থাবগী অয়াবা পীরি। অদুম্মকপু মনিপুরিশিংগী ওইনদি মীতৈ ময়েক অসি ইং ১৯৯২ দা ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবসু হৌজিক ফাওবা য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা পরিক্ষদা মনিপুরি লিটরেচর ওপসনেল পেপরগী ৱাহংশিং বেঙ্গোলি স্ক্রিপতা ওইরি।

উন্নবা অদুদা এম.পি. নিংথৌ সনাজাউবনা য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা ম্যেন ইগজামগী পাউখুম চেশিংদা মীতৈ ময়েকনা ইবা য়াহল্লিবা অসিগুমা ৱাহং চেশিংদসু মীতৈ ময়েক ওইহন্নবা মরী লৈনবশিংদা মখা তানা তকশিনগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা পীখি। হান্ননসু মহাকা ৱাফম অসি তকশিনবা লৈখ্রবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ইং তপ্পা অমদি মহৌশাগী ফিভমদা হনজিল্লকবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং মখা তানা লৌখৎতুনা লাক্লি।

রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ নিনিগী মনিপুর খোঙচৎ ঙরাং শান্তি ওইনা লোয়শিনখ্রে। রাস্ত্রপতিগী খোঙচৎ অসিগীদমক মনিপুর পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ঙাকশেনবগী থবক লৌখৎখি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। মনিপুর প্লিসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খুগা দাম মনাক্তগী লোকেল মেদ থ্রি ৱান থ্রি রাইফল অমা, পিষ্টোলগী মেগজিন অহুম, ফিফতিৱান এম.এম. মোটার স্মোগ বোম অমা, ইর্ষ্টন গ্রেনেদ অমা, বাউফেং হেন্দ ৱয়ারলেস সেট অনি, পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং য়াওনা তোঙানবা তোঙানবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেক পোইন্ট ১০৯ হাংদোক্কুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথরি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৯১ ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে। লম্বী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্তনবা সেক্যুরিতিনা ঙাক শেনবগী থবকসু চথরি।

**টৌঙ্ক (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙরাং শিংজমৈ, পাউবীতেক, থৌবালদা দুকান ফল্লিবশিং, তোঙান তোঙানবা ভিলেজ চীফ অমদি কম্যুনিতি মেম্বরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। থৌরম অসি ঙাকশেল অমসুং অমগা অমগগী মরক্তা তেংবাং পীনদুনা রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিলহন্নবা লৌখৎপনি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদগী ওজা অমদি মহৈরোই য়াওনা পুন্না মীওই ২২ নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুরগীদমক ঙরাং কোলকাতাগীদমক খোঙশানখ্রে।

**বজেটঃ** কেন্দ্রনা সেন্সস ২০২৭ কীদমক লুপা কোতি লিশিং ১১,৭১৮ কায়থোকপা য়ারে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-সেন্সস ২০২৭ অসি তাঙ্কক অনি থোক া ফেজ ৱান অমসুং ফেজ টু হায়না পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়-হন্দক্কী মীকোক থিবা অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক কোনশিনগনি। মসিদা য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা য়েংশিনগনি। হন্দক্কী মীকোক থিবা অসিদা মাগী মাগী কাংলুপশিং খঙদোকপা ঙম্লগনি।

**ক্রোপসঃ** সরকারনা হায়রি-হৌখিবা চহি তরা অসিদা লৈবাক অসিগী মহৈ-মরোং পুথোকপগী চাং চাদা ৪৪ হেনগৎলে। রাজ্য সভাদা ঙসি ৱাহংগী মতমদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরা সিংহ চৌহাননা হায়-মসি ২০১৪ দগী ২০২৪ ফাওবদা অনৌবা মখলগী মরু-মরাংশিং, মতমগা চুন্নবা টেকোলোজি অমদি লৌউ শিংউগী থৌওং কয়া পায়খৎপদগীনি।

মহাকা হায়-লৌউ শিংউগী লমদা মপুং ফানা চাউখৎহন্নবা সরকারনা লেপ্তুনা হোৎনরি। শ্রী চৌহাননা হায়-মোদি সরকারনা লৌমীশিংগী শেন্থোক অমদি মখোয়গী পোৎথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা অকনবা মীৎয়েং চংলি। লৌউ শিংউগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবগীদমক পোইন্ট তরুক্কী থৌওং অমসু চৎনহল্লে।

**পঞ্জাবঃ** পঞ্জাবকী অমৃতসরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা ই-মেলগী খুথাংদা ঙরাং বোম লৈরে হায়না শন্দোরকপদগী মহৈরোইশিংগী মমা-মপা য়াওনা মীয়াম পাখৎনখি।

পুলিসকী পাউনা হায়-চিংনবা মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা পুলিসকী কাংবু চংশিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। অদুমওইনমক, স্কুল অমত্তদগী

অসিগুম্না পোৎ অমত্তা ফংবা লৈত্রি। সাইভর ক্রাইম বিভাগনসু থারক্লিবা ই-মেলশিং অদু মখা তানা থিবা থবক চথুরি। অমৃতসরগী এসিষ্টেন্ট দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) অলম বিজয় সিংহনা হায়-সেক্যুরিতিনা থিবা হুস্বগী থবক কন্না চথুখি। হৌজিক ফাওবদি করিগুম্বা পোৎশক অমত্তা ফংবা লৈত্রি। মীয়ামনা পাখৎপীদনবসু আপিল তৌরি।

ঙরাং অমৃতসরদা লৈবা সরকারগী স্কুল অমদি প্রাইবেট স্কুলশিং ছুতি থাদোকখি।

**ভিজিৎ ঃ** জোরদান, ইথিওপিয়া অমসুং ওমানগী নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎকীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ভারত থাদোক্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী অহানবা খোঙচৎতা জোরদানদা থুংগনি। মহাকা লৈবাক অদুগী নিংথৌ অবদুল্লাহ টুগা উন্নদুনা ভারত অমসুং জোরদান অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা খন্নগনি অমসুং লমদম লমদমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু ৱারী শান্নগনি। শ্রী মোদিনা থা অসিগী ১৬ তা ইথিওপিয়াদা চৎকনি। মহাকা ইথিওপিয়াদা লৈরিঙৈদা প্রধান মন্ত্রি ডাঃ আবি অহামদ আলিগা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱারী শান্নগনি।

খোঙচৎ অসিনা লল্লোন ঈতিক, শেল থাদবা, ইনর্জি, দিফেন্স, সেক্যুরিতি, টেকোলোজি, লৌউ শিংউ অমসুং সংস্কৃতিনচিংবা য়াওনা লম কয়াদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি।

**জপান ঃ** জপানগী নোংপোক থংবা শরুক্তা ঙরাং রিক্তর স্কেলদা ৬.৯ য়ৌনা য়ুহার হাখ্রে। লৈবাক অসিগী মেতিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা হায়-অৱাং থংবা পেসিফিক সুমদ্র খোঙবানদা খুন্দারিবা মীওইশিংদা সুনামনি থোরকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱারোল থমখ্রে। এজেন্সি অসিনা থাদোরকপা পাউগী মতুং ইন্না মফম খরদা সুনামনিগী ইথৎ ইপোম ঙরাং সেন্টিমিটর ২০ হেন্না ৱাংনা লাকপা থেংনখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা নুপী লাল থৌরম শরুক য়াখিবা অমসুং তুংদা সেনাপতিদা চৎতুনা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখিবা অমসুং আই.দি.পিশিং উন্নখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

নুপী লাল খুভমদা প্রসিদেন্টনা ইকায় খুমদুনা পুৱারী শেমখ্রে। নুপী লাল নুমিৎ অচম্বা নত্তে, মনিপুরবু লমজিংলিবা নুপীশিংগী থৌনা, অরানবগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপখিবগী ময়েক লারবা খুদম অমনি হায়না চীফ সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক, তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিংগা লোয়ননা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা সেনাপতিদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগা উন্নখ্রে অমসুং প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি-মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীংমী-তম্মী লিশিং ১,৩০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা নুপী লাল নীংশিং লমজেল চেনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নেসনেল প্রেসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দানা কৌবা বি.জে.পি. এম.এল.এশিংগী মীফমদা কুকি এম.এল.এ. তরেৎসু শরুক য়াগদৌরি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা-ইং ২০২৭ তা মীকোক থিবদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লিদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমগা মরী লৈননা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং ইম্ফাল থাদোকপা হৌখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস

এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তুরেলশিং মোৎপা হেনগৎলক্লি, লায়না ময়াম পোক্লকপা য়ারি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী মনিপুর খোঙচৎ লেয়শিনখ্রে, কোতি লিশিং ১,৫০০ রোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ-গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

১৮ শুবা ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা তমেংলোং হেদক্বাটরসতা শেম শাবগী থবক খম থেংনা কল্লে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।